**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.45 PM**
**(Date: 13-05-2025)**

**দিপক (এল)ঃ** ভারত অমসুং পাকিস্তান ঙমখৈ পরিংদা লৈবা জম্মু রিজনগী আর.এস. পুরা সেক্তরদা লৈবা খারখোলা বোর্ডর আউট পোষ্ট ময়াদা খুৎ থোক বগী থৌদোক অমদা লৈখিদ্রবা বি.এস.এফকী জৱান-দিপক চিঙাখমগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংগী অরোইবা মথৌ মঙম লোয়শিনখ্রে।

লৈখিদ্রবা জৱান অসিগী হকচাং ঙসি নুংথিল বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতা থুংলখি। মহাক্কী হকচাং ইম্ফাল ইয়ারপোর্টতা হেক থুংবগা লান্মীনা অৱাংবা থাক্কী গার্দ ওফ ওনর পীদুনা ইকায় খুমখি অমদি রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লা, এম.পিশিং, এম.এল.এশিং, লান্মী অমদি সিভিলগী মকোক থোংবা ওফিসারশিংনা লৈখিদ্রবা জৱান অসিগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

তরেৎশুবা বি.এস.এফ. বটালিয়নগী জৱান ওইনা ঙমখৈ পরিংদা মথৌ তৌবদা থৱায় কৎখ্রবা দিপক চিঙাখমগী ইমুং মনুং য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা মীওইশিংনা অথৌবা অসিগী মফমদা ইকায় খুমবসু উৎখি। মদুদা, শরুক য়াখিবা রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা পাউমীশিংদা হায়-য়েকবদগী লৈবাক অসি কন্নবা মহাকা লৌখিবা থৌদাং অদু লৈবাক অসিগী মীয়ামনা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি। পনবা য়াবদি, রাজ্য সরকারনা লৈখিদ্রবা জৱান দিপক চিঙাখমগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ ১০ এক্স গ্রেসিয়া পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি। শেনফম অসি মেজর লাইশ্রম জোতিন সিংহ অশোক চক্র স্কিমগী মখাদা পীবনি।

**কন্দোল (এল)ঃ** হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ঙসি য়াইরিপোক

য়াম্লেমদা লৈবা দিপক চিংঙাখমগী য়ুমদা চত্তুনা লৈখিদবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াখ্রে।

মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতাগী অৱাবা ফোংদোকপগী ৱারোলদা হায়-জাতি অসিগীদমক্তা মনিপুরদগী জৱান অমনা থৱায় থাবা পামুবা লৈতনা কৎথোকখিবা অসি পুমমকা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

য়ুব জনাতা দল (য়ুনাইটেদ) মনিপুর ষ্টেট য়ুনিটননা দিপক চিঙাখমনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোরক্লি। ষ্টেন্দরদ কলেজ-কোংবগী দিপার্টমেন্ট ওফ পোলিটিকেল সাইন্সনসু কলেজ অসিগী মহৈরোই ওইরম্বা দিপক চিঙাখমনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোক্লি।

**রাজ্যপাল (এল) ঃ** অসাম অমসুং অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী য়ুনিসেফকী ফিল্ড ওফিসকী মকোক-ডা: মধুলিকা জোরনাথনগা রাজ্যপাল অজয় কুমার ভাল্লাগা ঙসি রাজ ভবনদা উন্নখ্রে।

লমদম অসিদা য়ুনিসেফনা অঙাংশিংগী তিকা থাদোকনবা থবক থৌরমশিংদা লৌরিবা থৌদাংগী মতাংদা ডা: মধুলিকানা রাজ্যপালদা পাউদমখি। মধুলিকাগা লোয়নননা ওফিসিএল মরিগা লোয়নননা রাজ্যপালগা উন্নবা অদুদা মীহুৎ কাংবু অসিনা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা মহৈ মশিং অমদি শান্ন খোৎনবগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবগী মতাংদসু পাউদমখি।

রাজ্যপালনা মখোয়গী ৱারোলশিং তারবা তুংদা মখোয়না লমদম অসিদা চাউখৎনবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাংবুসু থাগৎপা ফোংদোকখি।

**রিজল্টঃ** সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইদ্যুকেসন(সি.বি.এস.ঈ) না লৌবা ক্লাস টুয়েল্বকী পরিক্ষাগী ফল ঙসি লাউথোকখ্রে ।

মনিপুর সরকারগী মায়কৈদগী পরিক্ষা অসিদা মায় পাক্লক্লবা

মহৈরোইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

সি.বি.এস.ইনা লৌবা সেনিয়ার স্কুল সার্টিফিকেট ইগজামিনেসন (ক্লাস টুয়েল্ব) ২০২৫ অসি চহি অসিগী ফেব্রুৱারী ১৫ দগী এপ্রিল ৪ ফাওবা পাঙথোকখিবনি। পরিক্ষা অসিদা পুন্না মহৈরোই লাখ ১৬ লিশিং ৯২,৭৯৪ না পরিক্ষা থাবদা মহৈরোই লাখ ১৪ লিশিং ৯৬,৩০৭ পাস তৌদুনা পাস চৌবগী চাং চাদা ৮৮.৩৯ ওইখি। মসি মমাং চহিগী পাস তৌবগী চাংদগী চাদা ০.৪১ অমা ওইখিবনি। হন্দক চহিগী পরিক্ষা অসিদা সি.বি.এস.ইগী বিজয়ৱাদনা মহৈরোই চাদা ৯৯.৬০ ওইদুনা খ্বাইদগী ৱাংনা পাস তৌবা রিজন অমা ওইরি। অদুগা অৱাং নোংপোক্কী ওইনা গুৱাহাতি রিজননা চাদা ৮৩.৬২ ওইদুনা মহৈরোই পাস তৌবগী চাংদা ১২ শুবা পোজিসনদা লৈরি। পরিক্ষা অসিগী ফল সি.বি.এস.ঈগী ওফিসিএল ৱেবসাইট-সি.বি.এস.ঈ রিজল্টস দোট এন.আই.সি দোট ইন নত্রগা রিজল্টস দোট সি.বি.এস.ঈ দোট এন.আই.সি.দোট ইনদগী খঙবা য়াগনি।

**দেসাম (এল)ঃ** সরকারনা ন্যু এদুকেসন পোলিসিগী মখাদা মনিপুরদা ২০২২-২৩ একাডমীক সেসনদগী অন্দর গ্রেজ্‌য়েট দিগ্রী কোর্সশিং অসি চহি মরি ওইহনগনি হায়না ৱারেপ লৌখ্রবসু ঙসি ফাওবা মসিগী চপ চাবা থবক পায়খৎত্রি হায়না দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মনিপুর (দেসাম) না খোঙজং চংশিনখ্রে।

লুপ অসিগী প্রসিদেন্টনা হায়-মহৈরোই লুপ অসিনা পোলিসি অসি চৎনহনখ্রবসু মনিপুরগী কলেজশিংদা সিক্স সেমিস্তর লোইরবা মত্‌ং মখা লেমহৌরিবা সেমিস্তর অনি অসিগী মতাংদা চপ চাবা খোঙথাং অমা লৌখৎপীদনবনা মহৈরোইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া পীরে।

ঙসি ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎ জঙ্কসনদা খোঙজং চংশিল্লিবা লুপ অসিগী মহৈরোইশিংনা রেল্লি অমা চৎপদা পুলিসনা থিংখি। তুংদা, লুপ অসিগী মীওই

মরি খনগৎতুনা এদুকেসন (য়ু) গী দাইরেক্তরগা উন্নদুনা ৱারী শাখি।

**এৱারনেসন (এল)ঃ** সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিটনা পুন্না শিনদুনা ঙসি জিলা থাক্কী ওইবা চহি শুদনা লুহোংবগী ময়োক্তা চথবা এৱারনেস কেম্পেইন অমদি সেন্সিটাসজেসন প্রোগ্রাম অমা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-মামোনি দোলেনা চহি শুদনা লুহোংবনা হকশেল অমসুং শিক্ষাগী লমদা পীরিবা চৈথেংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। থৌরমদুদা জিলা থাক্কী ওফিসারশিং অমসুং চর্চকী লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

অমরোমদা, নোনে জিলাগী লোংমাই বজারদা ঙসি বাল বিভা মুক্তা ভারতকী শরুক অমা ওইনা চহি শুদনা লুহোংবগী অমাংবশিংগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহন্নবা পাউজেল পুবা মোটোর বাইক রেল্লি অমা চৎখ্রে। রেল্লি অদু লোংমাই বজার ত্রাফিক পোইন্টতগী জিলা অসিগী এস.পি.-নমসাদাই পিটর পামৈনা লমথাখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট-নোনেগী প্রোটেক্সন ওফিসার-কাখুরান পালমৈ অমসুং অতোপ্পা ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

**ককচিং(এল)ঃ** ককচিংদা আইননা য়াদবা মওংদা লামৈ থাবগী থৌদোকশিং থিংননবা পায়খৎপা ফোরেষ্ট ফয়ার প্রিভেন্সন এন্দ মেনেজমেন্ট স্কিম-২০২৪-২৫ গী মখাদা উমংগী পোৎথোকশিং মৈ থাদোকপদগী কনবা হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং জিলাগী ৱাংঙু লাইফম মখা লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা ঙসি পাঙথোকখে।

থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা থৌবাল জিলাগী দি.এফ.ও. লৈশাংথেম জেসিলি, ৱাইল্ড লাইফ এক্সপ্রোরর মনিপুরগী মীহুৎ-সনসম চিত্তরঞ্জন মীতৈ, ৱাংঙু গ্রাম পঞ্চায়টকী চেয়ারপার্সন লাইশ্রম

দেবেন সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি।

থৌরম অদুদা ৱাংঙুগী মনুংদা লৈরিবা ক্লবশিং, সি.এস.ওশিং, মৈরা পায়বীগী লুচিংবশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা স্কুলগী মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

**ককচিং (এল)ঃ** থৌবালগী এম.আই.দি.ঐচ. হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জারভেসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট মীসন মেনেজমেন্ট য়ুনিট (দি.এম.এম.য়ু) ককচিং এম.এস.আর.এল.এমনা পুন্না শিনদুনা ককচিং জিলাগী ককচিং ব্লোক অমদি লাংমৈদোং ব্লোক্কী মীসন ফোর ইন্টিগ্রেটেদ দিবলপমেন্ট ওফ হোর্টিকলচর-২০২৪-২৫ গী অহানবা ইন্সটোলমেন্টকী ক্রিসি সাখিগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ট্রেন্নিং কম এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি দি.এম.এম.য়ু-ককচিংগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

**ইকো (এল)ঃ** ইকো নেটৱার্ক মনিপুরগী গো-গ্রীন, গো-ক্লিন কেম্পেইনগী মখা চত্থরকপা ওইনা ঙসিসু লম্বী-সড়ক্তা তারম্বা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিং খোমজিনবগী থবক চত্থখ্রে।

কেম্পেইন অসিগী শরুক অমা ওইনা ৱাংজিং-লমদিং লাইশ্রম লৈকাইগী ইমা-ইবেলশিংনা লম্বী-সড়ক্তা তারল্লবা প্লাষ্টিক বোটল অমদি অতৈ প্লাষ্টিক্কী পোৎলম কয়া তাশিন খোমজিল্লবা মতুং লন্নাইগী করবার তৌরিবা মীওইশিংদা য়োম্বোক্তুনা শেল তানবসু ঙমলে হায়রি।

**প্লাষ্টিক (এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-মহেস চৌধুরিনা জিলা অসিদা অমুক শিজিন্নরগা হুন্দোকপা প্লাষ্টিকশিং শিজিন্নবা থিংনবগীদমক থা অসিগী ২৫ দগী অকনবা থবকশিং পায়খৎলগনি হায়রি।

**হয়ার (এল)ঃ** কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরনা লৌবা কুমশি চহিগী ক্লাস টুয়েল্বকী ইম্প্রুভমেন্ট পরিক্ষাগী মতম লেপলে। থিওরি সবজেক্টকী ওইনা থা অসিগী ৩০, ইরাই নুমিৎতা অয়ুক পুং ১০ দগী অমা ফাওবা পাঙথোক্লগনি। প্রাক্তিকেলগী ওইনা থা অসিগী ৩১, থাংজ নুমিৎকী পুং ১০ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি হায়না কাউন্সিলগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**মৈ (এল)ঃ** এম.এস.পি.দি.সি.এলনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা রেড চখবদা মৈ লান্না শিজিন্নরম্বগীদমক পুন্না কঞ্জুমর ২০ ফাগৎখ্রে। লোয়ননা কঞ্জুমর ১১ গী মৈ ককথৎখ্রে।

এম.এস.পি.দি.সি.এলনা মখা তানা রেড চথখিগনি হায়রি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি অয়ুক পঞ্জাবকী আদমপুর ইয়ার বেজতা চৎতুনা থৌনা ফরবা ভারতকী লান্মীশিংগা উন্নখ্রে। লান্মীশিংগা ৱারী শান্নবদা শ্রী মোদিনা মখোয়না লৌরিবা থৌদাং অমদি মথৌনা অদু থাগৎপগা লোয়ননা পুকিং থৌগৎখি হায়রি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-লৈবাক অসিগীদমক থৌনা ফনা অচেৎপা ৱাফম অমদি থৱায় থাবা পামুবা লৈতনা মথৌ তৌরিবা লান্মীশিংগা উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শান্নবদা থোইদোক হেন্দোকা নুংঙাইবা পোকই। মখোয়না জাতিগীদমক্তা লৌরিবা থৌদাং অসিগীদমক পুকিং চাউথোকচৈ।

প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসি ওপরেসন সিন্দুরগী মতুংদা চৎপা অহানবা লান্মীশিংগা উন্নবগী খোঙচৎনি। ভারতকী ওপরেসন সিন্দুর অদুদা টেরোরিষ্ট ১০০ হেন্না হাৎপা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, কেন্দ্রগী ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা ভারতকী নোংচুপ

থংবা ঙমখৈ পরিংদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ জেনরেল-অনিল চৌহান, নেভি চীফ এদমিরেল-দিনেস কে. ত্রিপাথি, আর্মি চীফ জেনরেল-উপেন্দ্র দ্বিবেদি অমসুং ভাইস চীফ ওফ ইয়ার ষ্টাফ ইয়ার মার্সেল-নরমদেস্বর তিৱারি শরুক য়াখি।

**পঞ্জাবঃ** পঞ্জাবকী অমৃতসরদা হু চেনবা য়ু থক্লুবদগী শিখিবা মীগী মশিং ১৭ শুখ্রে। মীওই কয়া অমনা হোস্পিতালশিংদা লায়কন্নরি।

থৌদোক অসি মাজিথা বিধান সভাগী খুঙ্গং অহুমদা আইননা য়াদবা মওংদা শুংলম্বা য়ু থক্লুবদগী থোকখিবনি। মুখ্য মন্ত্রি-ভগবান সিংহ মাননা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী ইমুং মনুংগা উন্নখি অমদি মসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং অদু আইনগী ওইবা চপ চাবা থবক লৌখৎকনি হায়খি। মুখ্য মন্ত্রিনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ ১০ গী শেনফম য়াওনা থবক অমমসু পীগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

**পোলিসিঃ** মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়রি-য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওফ জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মতাংদা ভারতকী মতম শাংনা লৈরক্লবা খোঙফমদা অহোংবা লৈতে।

জম্মু কাশ্মিরগী ৱাথোকশিং অসি ভারত অমসুং পাকিস্তান অনিগী খক্তগী ওইবা ৱাফমনি। মন্ত্রালয় অসিগী ৱাঙাংলোই-রনধির জসৱালনা ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা হায়-জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ৱাথোক অসি ৱারোইন অমা পুরকপদা ভারতকী ওইনদি পাকিস্তাননা নমদুনা লৌশিনদুনা লৈরিবা পাকিস্তান ওকুপাইদ কাশ্মিরদগী মখোয়গী সেক্যুরিতি ফোর্সশিং অদু লৌথোকহনবা অসিনি।

**টেরোরিষ্টঃ** জম্মু কাশ্মিরগী সোফিয়ান জিলাগী সুক্রু কেলর উমংদা সেক্যুরিতি

ফোর্সকা টেরোরিষ্টশিংগা খুৎ থোকবদা লাস্কার-ই-তোইবগী মীওই অহুম শিরে।

আই.জি.পি. কাশ্মির-ভি.কে. বরদিনা হায়-টেরোরিষ্টশিং লৈরে হায়বগী অককবা পাউ অমা ফংবদগী মফম অদুদা চংশিনবদা টেরোরিষ্টশিংদুনা নোংমৈ কাপথোরকখি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পদা টেরোরিষ্টশিং অদু লৈখিদবনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** অনিসুবা প্রেমিয়র লিগকী ঙসি লমলোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচশিংদা-ক্লাসিক ফুটবোল একাডমীনা ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ১-০ দা, অসুফি ফুটবোল একাডমীনা অনৌবা ইমাগী মঙালবু পাঞ্জল ৩-০ দা অমসুং নিশা থাংমৈবন্দনা শগোলবন্দ য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

অমরোমদা, লিগ অসিগী থা অসিগী ৯ দা শান্নখিবা অংথা এফ.সি. অমসুং এ.বি.এগী মেটচতা দিসিপ্লিন কায় হায়বগী মতাংদা অবাগী প্লেয়ার অমসুং ওফিসিএল য়াওনা ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা ফাইন থিহনখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** অৱাং লৈকিন্থাবী ফুটবোল গাউন্দদা চথুরিবা অহানবা অৱাং লৈকিন্থাবী ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ফাইনেলদা অচাফিগৈ লকি স্তার চংলে। ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা অচানফিগৈ লকি স্তারনা সলাম য়ুথ অপুনবা ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি। অচানফিগৈ লকি স্তার টিম ফাইনেলদা বি.বি.এ. ময়াং ইম্ফাল অমদি হিয়াই ফুটবোল একাডমী লুৱাংশংবমগী অকাবা টিম অদুগা ফাইনেল শান্নরগনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** তরুকশুবা কাইয়ো ত্রোফি ফাইব মেন এ সাইট নোকআউট ফুটবোল টুর্নামেন্ট হয়েংদগী কুম্বী কাংজৈবুং গ্রাউন্দদা হৌরগনি। কুম্বী আদরস য়ুথ ওর্গনাইজেসননা শিনবা টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৩৩ না শরুক য়াগনি।

**পেনকাক (এল)ঃ** উত্তর প্রদেসকী লক্ষনৌদা পাঙথোকখিবা ১৩ শুবা সেনিয়ার নেসনেল পেনকাক সিলাত চেম্পিয়নসিপ্তা মনিপুরনা পুন্না সনাগী তকমান অনি, লুপাগী মঙা অমসুং শেঞ্জেংগী মরি ফংবা ঙমখ্রে।

**সাফ (এল)ঃ** অরুনাচল প্রদেসকী য়ুপিয়াদা লৈবা গোর্ল্ডন জ্‌ল্লি ষ্টেদিয়মদা ভারতকী অন্দর নাইন্তিন অমসুং নেপালগী অন্দর নাইন্তিন সাফ, অন্দর টোইন্তি চেম্পিয়নসিপকী মেটচ অমদা হৌজিক শান্নরি।